অনৌবা কেস...

লামায় ১গী মখা... পর্সনেল - ১০৭) নি হায়রি।

লায়না অসিদগী ফগৎলকপগী চাংনা ঙরাং ফাওবদা চাদা ৮৮.১৫ লৈরম্বদু ঙসিদি ৮৭.৮৬তা হন্থরক্লে হায়রি। লোয়ননা ঙরাং ফাওবদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখিবা অপূনবা মীওইশিংগী মশীংনা ৯,৫৫,৯২৩ (ফর্ষ্ট দোজ - ৮,৫২,১৭৯ অমসুং সেকেন্দ দোজ - ১,০৩,৭৪৪) নি হায়রি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	88.040743
US Dollar	74.537286
British Pound	103.186535
Australian Dollar	55.448422
Chinese Yuan Renminbi	11.533495
Japanese Yen	0.677790
Malaysian Ringgit	17.738597
Singapore Dollar	55.024058
South Korean Won	0.065256
Saudi Arabian Riyal	19.876610
Thai Baht	2.280196

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	48256.00
Mumbai	–	Rs	48410.00
Delhi	–	Rs	48318.00
Kolkata	–	Rs	48670.00

GAS NEWS

IMPHAL LPG SERVICE
(Home Delivery only)
Booking:05-07-2021
Update Gas Card With Fresh personal photo . New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556. Time 8:30 to 12:30 . Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1.also available 19kg and 5kg. Please don't used the other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL. Encourage online payment.

KHORIPHABA LPG SERVICE NAMBOL
Bk upto 23-06-21(sl no upto 47571)
Home delivery contact no: 9366471778, 8974087390, 8787632782

M/S R & H INDANE SERVICE IRILBUNG
Only Home Dellivery
Booking Upto04/05/2021
Valid from 26/04/21
Stock 306 nos.
Office contact numbers 8132036940, 8414824977, 8413936705
Call timing 8 am to 12 noon
Sunday closed

LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING
BOOKING upto-12-05-2021,
VALID FROM 24-04-2021,
STOCK : 1224
HOME DELIVERY ONLY.
CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking-- Upto Date(14.2kg)
*****19kg Available**
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.

JRONGMEI SK INDANE WANGOI
Bking upto 26/5/21
Valid from 23/5/21.
Stk 306,
Timing-6am to 9am.
Home Delivery (Contact no. 8119073029, 8974426830)

TDK GAS
BK. UPTO 28/05/21.
VF.24/05/21.
HOME DELIVERY
ONLY CONTACT NOS. 6909614353/8731992324.
TIMING 9:00 AM TO 3:00 PM

M/s K&K INDANE SERVICE,
home delivery only
Booking uptodate
Call Timing: 8am To 12noon
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL-9362663937.
*SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 9366727636, 9863654574, 9774213728, 9089519886.
TIDDIM LINE -9774213728
*TAKYEL LANGJING, PATSOI AREA/ 8258856407 / 7005588556 / *KONTHOUJAM A/c 9863201839, LAMSHANG A/C - 9612493837./ 9089542175
Enquiry no. 9856134465.

MANIPUR GAS SERVICE
Area wise home delivery and contact number, Call timing 8.00 am - 12.00 pm
1) Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam (9863385995)
2) Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei, Nilakuthi, Khonghampat & Surrounding etc. (8787857518)
3) Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top (7424085506)
4) Laipham Khunou, Nagaram, Dewlahland, Namdunlong, Khoyathong, Nagamapal & Uripok Road (8414886475)
5) Hatta, North AOC, Ragailong, New Checkon, Wangkhei, Kongba etc. (9366468676)
6) Poumai Colony, Sangakpham, Nongmeibung, Tellipati, Soibam Leikai, Wangkhei Khunou, Porompat, Kshetrigao A/C (7005282449)
7) Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung (7005439154)
8) Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Singjamei A/C etc. (8131832195)
8) Complain and Enquiry Number 8730954041
Booking upto 22/06/2021
Valid from 01/06/2021

মিনিষ্ট্রিদা শেলগী অৱাৎপা লৈতে হায়রগা লুপা ক্রোর ৫০০০ খক সেঙ্কসন তৌরিবা করিগীনো : কোংগ্রেস

ইম্ফাল, জুলাই ১৫ (ঐচ এন এস):

য়ুনিয়ন রোদ ত্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ মিনিষ্টর নিতিন গদকারিনা মিনিষ্ট্রিদা প্রোজেক্টশিং পায়খৎননবা শেলগী অৱাৎপা লৈতে হায়রগা ষ্টেট অসিদা পায়খৎকদবা তোঙান-তোঙানবা প্রোজেক্টশিংগীদমক লুপা ক্রোর ৫০০০ খক্তমক সেঙ্কসন তৌরিবা করিগীনো। ষ্টেট অসিদা পায়খৎকদবা তোঙান-তোঙানবা প্রোজেক্টশিংগীদমক লুপা ক্রোর ১৮,৩৩১গী দি পি আর শেম-শাখ্রবসু লুপা ক্রোর ৫০০০ খক সেঙ্কসন তৌরম্বা অসি মিনিষ্ট্রিদা শেলগী ইস্যু লৈতে হায়বগী খুদমলা হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)গী ৱাঙাংলোয় নিঙোম্বম ভুপেন্দ মৈতৈনা ফোঙদোরক্লি।

কোংগ্রেস ভবনদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা নিঙোম্বম ভুপেন্দ মৈতৈনা হায়খি, হৌখিবা জুলাই ১২দা থাদোকখিবা পি আই বিগী প্রেস রিলিজ অমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ রোদ ত্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ নিতিন গদকারিনা ষ্টেট অসিদা পায়খৎকদবা প্রোজেক্টশিংগীদমক লুপা ক্রোর ৫০০০ সেঙ্কসন তৌরে। ষ্টেট অসিগী হায়ৱেশিং এক্সপান্সন তৌননবা ভারত মালা ফেজ টুগী মখাদা রেকমেন্দ তৌরগনি। প্রাইম মিনিষ্টরনা নোর্থ ইষ্টতা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি। লোয়ননা তোঙান-তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাবগা লোয়ননা উরেপ-উয়ুং তমখ্রে হায়নসু পল্লি। অদুম্মকপু য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা ষ্টেট অসিদা মক্রু থোং শঙ্গাখিবগী ৱাফম পল্লকখিদবা অসি অঙকপা পোকই।

মহাক্লা হায়খি, য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা চীফ মিনিষ্টরদা থবকশিংগী প্রোগ্রেস তপ্পা, ক্বালিটি ষ্টেন্দর্দ ঙাকপগী মতাং অমদি পুকচেল শেংনা থবক তৌনবগী মতাংদা থল্লমখিবা ৱাফমশিং অদু কোংগ্রেস পার্টিনা লুম্না লৌই। ষ্টেট অসিগী নেসনল হায়ৱেশিং এক্সপান্সন তৌবগীদমক ভারত মালা ফেজ টুদা রেকমেন্দ তৌগনি হায়খিবা অসিগীদমক মণিপুরগী ওইনা লুপা ক্রোর কয়া সেঙ্কসন তৌগদৌরিবনো। কুমজা ২০২২দা লোইগদৌরিবা ভারত মালা ফেজ ৱানগী মখাদা ষ্টেট অসিগী ওইনা লুপা ক্রোর ১০,০৩০ করম্বা মতমদা সেঙ্কসন তৌগদৌরিবনো। প্রাইম মিনিষ্টরনা মণিপুরদা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি হায়রবদি করিগীদমক্তা ষ্টেট অসিগী ক্লাইমেট চেঞ্জ ইস্যুশিং সোল্ব তৌনবা ৱাফম ফোঙদোক্ত্রিবনো। চীফ মিনিষ্টরনা বরাক অমসুং ইরং থোং শাবগী মতাংদা ফোঙদোক্লিবা ৱাফমশিং অসিগা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রিনা পীরিবা ষ্টেটস রিপোর্টশিংগী মরক্তা খেন্নবা কয়ামরুমসু লৈরি। চীফ মিনিষ্টরনা বরাক থোং অসি চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থা ফাওবদা লোইশিনগনি হায়রবসু মিনিষ্ট্রিনা জুন ৩০ ফাওবদা পীখিবা ষ্টেটস রিপোর্ট অমনদি বরাক থোং অসি শাবা লোইশিনবদা জুলাই থাদগী পারগা চহী অমগা থা মাপনলোম চঙখিগনি হায়রি। অমরোমদা ইরং থোং অসিসু চীফ মিনিষ্টরনা চহী অসিগী দিসেম্বর থা ফাওবদা লোইশিনগনি হায়না ফোঙদোকখি। অদুবু মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটস রিপোর্ট অমনদি থোং অসি কুমজা ২০২৩গী জন্যুৱারী থাদা লোইশিনগনি হায়না পল্লি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

জোইন তৌবা চৎপা...

*লামায় ১গী মখা...*অপোকপা সত্রজিৎ (৬১) না থৌবনি। অদুবু অয়ুক পুং ১১ রোম তারকপদা এন ঐচ -২গী মখান থোং মনাক্তা সেল্ফ এক্সিদেন্ট থোকপদগী থৌদোক থোকফমদা ফ্রাঙ্কোগী অপোকপী মমা লৈখিদবনি। শোক্লবা মহাক্লা লায়কন্ননবা পুরকপগী লম্বীদা লৈখিদবনি। অদুগা গাড়ী অসিবু থৌখিবা মহাক্কী অপোকপসু শোকপদগী হৌজিক লায়কন্নরি। থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎখ্রে।

থাও মমল...

লামায় ১গী মখা... কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট তোনতোন ইরোমচানা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক কোভিদ-১৯গী ৱারবা মতম অসিদা চান-থক্লবা পোৎলমশিং লৈশিল্লক্তবা, শেল পায়নরক্তবা তাঞ্জা অসিদা পেত্রোল, দিজল অমদি এল পি জি গ্যাসকী মমল হেনগৎলকপা অসিনা পোৎলম কয়াগী মমলসু নোংম-নোংমগী তাঙখৎহল্লক্লে। মরু ওইনা লৌউ-শিংউবগী মতম অসিদা থাওশিং অসিগী মমল ৱাংখৎলকপনা মীয়ামদা চাউনা চৈথেং পীরে। মসিদা সেন্টর অমদি ষ্টেটতা পাল্লিবা বি জে পিগী লৈঙাক্লা ৱা অমত্তা ঙাঙদনা তূমিন্না লৈশিনবা অসি লাইবক থীবনি। মসি উনা উনা উশিন্নদিব্রা, খঙনা খঙনা খঙশিন্নদিব্রা হায়বা ৱাহংশিং হংবগা লোয়ননা লমদম অসিগী লায়রবা মীয়াম অসি পুল্লপ শিখ্রো হায়রিব্রা হংখি। প্রোটেষ্ট অসি কোংগ্রেসখক্তগী অততাই নত্তে, লৈবাক মীয়ামগী অচুম্বা খোল্লাউনি। অথুবা মতমদা পেত্রোল, দিজল অমদি এল পি জি গ্যাসকী মমল হন্থহনগদবনি। থাওগী মমল হেনগৎলকপা অসিনা পোৎ চৈ পুম্নমক্কী মমলদসু ইফেক্ট তৌরক্তুনা ৱাংখৎহল্লি হায়খি।

ভোট কারবদি মণিপুরী লোল, ময়েক, লাইনিং চাওখৎনবা হোৎনগনি ...

লামায় ১গী মখা... মরক্তসু অফবা মরি অমা পুরকপা ঙল্লে। ঐখোয়গী ফুরুপ অসিগী ওইবা হোলি বুক অমসু পুথোক্লবা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা হোৎনহন্নিংই। লৈঙাক লৈরগসু লমদম অসিগী য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা ফুরুপশিং লৈত্রগদি, থরোই অহান্বগী ফীভমদা লৈগনি। মরম অদুনা পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা ঐখোয়গী লৈজরিবা ফুরুপশিং অসি কন্নবা হোৎনহন্নিংই। ঐগী ৱাখল্লোলগী মতুংইন্নদি ঐখোয়গী ফুরুপ কনবনা অহানবা পান্দম অদুগা দিভলপমেন্টনা অনীশুবা পান্দম ওইহন্নিংই। দিসক্বালিফিকেসনগী ৱাফম অসিদা তশেংনা হায়রগদি মীওইশিং অদু মপাম চাকসু চাদা, মৰা চাকসু চাদা হায়বা ইপা-ইপুনা হায়রম্বা ৱাফম অদুমক ওইনা থোক্লে হায়বা য়াই।

ৱাহং : করম্বা পার্টিদা মীরেপ ওইগদৌরিবগে? লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা করি-করম্বা ইস্যুদা য়ুমফম ওইরগা মীয়াম মাংদা পুখৎতুনা লাক্লেংনগে খনবিরি?

পাউ : হৌজিকমক্কী ওইনদি চপচাবা লৈত্রি। অদুবু নেসনল পার্টি অমদদি শোয়দনা ভোট লেপকনি। ঐখোয়গী লাইনিং-লাইশোন, ময়েক অমদি লোল চাওখৎনবা হোৎনবদা য়ুম্ফম ওইরগা ইলেক্সন থেংনগনি।

ৱাহং : কুমজা ২০২২গী জেনরেল ইলেক্সনদা করিগুম্বা ভোট কারবদি ইহান-হান্না ক্ষেত্রিগাউ মীয়ামগীদমক করি-করম্বা থবক তৌগনি?

পাউ : করিগুম্বা মীয়াম্না ভোট কাহল্লবদি অহানবদা ক্ষেত্রিগাউ হায়রিবা লম অসিগী মমিং ইহান হান্না ওন্থোক্কনি। অতোপ্পা মমিং অমা থোনগনি। করি মমিং থোনগনি হায়বসু খনবা লোইরে। ভোট হেক কাবা নুমীৎতা মীয়াম মাঙদা লাউথোক্কনি। লোয়ননা এ সী অসিগী হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদগী হেন্না চাওখৎপগী লম্বী অমদা পুরক্লবসু হোৎনগনি। লোয়ননা এ সী অসিদা লৈরিবা লৌবুকশিংদা ট্রিপল ক্রোপিং তৌবা য়ানবা ইথৈ-লৌখোং শেমগৎকনি। নুপীশিংদা ফিশা-লোনশাগী ওইবা থবকশিং মপুং ফানা তৌহনদুনা শেনমিৎলোন ফগৎনবসু হোৎনদুনা ইন্দষ্ট্রিএল হব অমা ওইবা ঙম্নবা হোৎনবনা ঐগী মরুওইবা থবকশিং ওইগনি।

ৱাহং : নিংতম্বা ফংলবা মতুং শাংলবা চহী ৭৪ শুরক্লবা ফাওবদা অতৈ ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবদা ঐখোয়গী ষ্টেট য়াম্না শোৎথনা লৈরিবগী অচৌবা মরম অসি করিনা ওইরম্বা য়াই?

পাউ : মরম কয়া অমদি লৈখ্রে। অদুবু ঐগী ৱাখল্লোলদা মরুওইবা ৱাফম খরা হায়রগদি ঐখোয়গী লমদম অসি রিমোট ওইবা মফম অমদা লৈরুরবা, রোদ ট্রান্সপোর্ট অমদি কম্যুনিকেসনগী গেভ য়াম্না শাংনা লৈখ্রে। অদুবু ঙসিদি অচৌবা অহোংবা অমদি লাক্লে, মসি অফবা খুদম অমনি।

ৱাহং : অদোমগী এদ্যুকেসনদি কদাই ফাওবা লোইশিনবিখ্রবগে? ইমা-পাবুংগী মীংনা করি কৌবগে?

পাউ : ঐগী এদ্যুকেসন অসি ১২ ফাওবদি লোইশিনখ্রে। মদুগী মতুংদা লাইনিং-লাইশোনগী লম্দা চঙশিন্দুনা লৈবাক্কী ওইবা লাইনিং-লাইশোনগী থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মীয়াম্না নুংশিবিদুনা 'লময়ানবা ইপু' হায়না খঙনবিরকখি। অপোকপগী মীংনা লৈখিদ্রবা খুমন্থেম নবকুমার অমদি অপোকপীগী মীংনা খুমন্থেম ওংবি সুজাতা কৌই।

ৱাহং : পোলিটিসিয়নশিংনা ভোট কারবা মতুংদা থবক কয়া তৌগনি হায়না পার্টিশিংগী মেনিফেষ্টোদা ইনৈ-ফোঙনৈ, অদুবু মপুং ফানা চাদা ৭০/৮০দি পাঙথোক্তে হায়নরি। সোমদি এ সী অসিগী তৌগে খল্লিবা থবকশিং অসি মপুং ফানা তৌবা ঙমগনি খনবিব্রা?

পাউ : ভোট কাদ্রিঙৈদনা ৱাখল অমা কারবা মতুংদনা ৱাখল অমনি হায়বদুনি। অদুবু ঐগী ওইনদি লৈবাক মীয়াম মাঙদা এ সী অসিগী তৌগনি হায়না ফোঙদোক্লিবা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোক্কনি। কৎথোকপা অমগা লোয়ননা থবক তৌদ্রবদি মীয়ামগী থবক তৌবা ঙল্লোই। মশাতগী খনবা মীনা লৈবাক্কী লুচিংবা ওইরবদি মীয়াম্নসু থাজবা ৱাৎলক্কনি। মরম অদুনা মীয়ামগী থাজবা কৈদৌঙৈদসু কায়হল্লোই। শিন্নরকপা থবক খুদিংমক থম্মোয় শেংনা তৌগনি।

ৱাহং : অদোমগী এসেম্বলি কন্সটিট্যুন্সি অসিগী টোটেল ভোটর মশিং অমদি পোল্লিং ষ্টেসন কয়ানো? মিক্স ভোটরদি লৈব্রা?

পাউ : ভোটর পুন্না লিশিং ৩৪ হেন্না লৈ। পোল্লিং ষ্টেসন ৪৬ লৈ অদুগা লমদম অসিগী য়েলহৌঙৈদগী লৈমিন্নরক্লবা তোঙান-তোঙানবা ফুরুপ কয়া অমসু লৈমিন্নরি।

ৱাহং : পোলিটিক্স তৌবা পোলিটিসিয়ানশিং মীয়াম্না ফনা ইঙাও ঙাঙনদে। মীয়াম্না ফনা ঙাঙনদ্রিবা লম্বী অসিদা চঙশিনগে খল্লিবসি করি মরম লৈবননো?

পাউ : লৈবাক অমা অমদি ফুরুপ অমা শেমগৎপা হায়বসিদা পোলিটিক্স য়াওদবা য়াদে। লমদম অসিগী অফবা লাইবক অমা শেমগৎসি হায়রগদি পোলিটিক্সতা চঙদুনা থবক তৌবা মথৌ তাই। মপান্দা অদুমক লেপ্তুনা লাউরগা লৈবনদি অওনবা অমদি অহোংবা পুরকপা ঙল্লোই। মীয়ামগী অনিংবা-অপাম্বা এসেম্বলিদা পুখৎপা ৱাগনি। মরম অদুনা লৈবাক অসিগী অফবা থবক খরা তৌনিংবদগী পোলিটিক্সকী লম্ অসিদা চঙলকখিবনি। পোলিটিসিয়ানশিং ফত্তনা ঙাঙনরিবা অসিগী মরম কয়া অমসু লৈগনি। অদুবু লুচিংবা অমা ওইরগদি মীয়ামবু খোন্দুনা লৈবাক চাওখৎনবা হোৎনবা রোমদা চঙশিনবা মথৌ তাই হায়জনিংই। ঙসি ঐনা শেৎলিবা ফিজোল অমদি তৌরিবা লাইনিং-লাইশোনগী থবক অসিনা অরানবা থবক অমদি ইশাগী কান্নবা থবক তৌরোই হায়বসি মীয়াম্নসু হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি।

ৱাহং : করপসন চাওনা লৈরে পুন্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু করপসনগী মায়োক্তা লেপ্পদি কনা অমত্তনা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। করপসন মপুং ফানা মুথৎপা ঙমদ্রবা মকসু খরা খজিক্তং ওইরবসু করি তৌরগদি হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : করপসন মরু ফঙনা মুথৎবা ঙমদ্রবসু করিগুম্বা মীয়াম্না ভোটতা শেল চঙহন্দনা অফবা কেন্দিদেট খল্লগদি লমদম অসিদগী করপসন খরা মখৈদি হন্থহনবা ঙমগনি খল্লি। লোয়ননা মীওই খুদিংমক্লা পুকচেল শেংনা থবক তৌনরক্লবা অমদি তুংগী য়াইফবা মণিপুর অমা ওইহন্দবা য়াদে হায়না থম্মোয় শেংনা অমনা অমগী মতেং পাংনদুনা থবক তৌরবদি অচৌবা কান্নবা পুরকপা ঙম্বগা লোয়ননা অওনবা মণিপুর অমা ওইরকপা ঙমগনি খল্লি।

ৱাহং : লৈবাক অসিদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মায়োক্তা নুপীগী লুপশিং, সী এস ওশিং, মহৈরোয় লুপশিং অমদি লৈঙাক্লা থবক তৌদুনা লাক্লি অদুবু ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা-য়োনবা হন্থরকপগী মহুৎতা হেন্নদুম য়াম্না লায়না থোঙ্গাল-থোঙ্গালদা ফংনরকপগুম তোরে। মসিগী মরম করিনা ওইরম্বা য়াবগে?

পাউ : লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক মুথৎসি হায়না থবক তৌবিরিবা মরি লৈনবা অচৌবদগীনা মচা ফাওবদা লৈরিবা মীওইশিংনা য়াম্না পুকচেল শেংনা মশাগীতা খন্দনা থবক তৌবা অমদি লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওইশিংনসু শেল ঙাক্তা উদনা লমদম অসিগী তুংগী খল্লগা থবক তৌবা চঙই। মতম অদুদা লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা-য়োনবা অসি ফরক্কনি হায়না খল্লি।

ৱাহং : থবক ফংদ্রিবা নহাশিংগীদমক করি-করম্বা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎলবদি অনইমপ্লোয়মেন্টগী প্রোব্লেম হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : শুফম-নোমফম খঙদনা লৈবা নহা কয়া অমা মণিপুরদা লৈরি। করিগুম্বা অচৌবা মল্টি নেসনল কম্পনি অমদি ইন্দষ্ট্রি কয়া পুশিল্লক্তুনা থবক তৌরবদি অনইমপ্লোয়মেন্টকী প্রোব্লেম অসি হন্থরক্কনি। লোয়ননা নহাশিংনা মশানা-মশাবু থবক পীজবা ঙম্নবা স্কিল দিভলপমেন্টকী থবক থৌরম পায়খৎপা অমদি নহাশিংনা তৌনিংলিবা থবকশিং অদুগী মতুংইন্না মতিক চাবা শেল মরি লৈনবশিংনা ফংহন্দুনা থবক শুহল্লবদি নুংঙাই য়াইফবা শুবা-নোম্বা কনবা চাওখৎপা মণিপুর অমা ওইবা ঙমগনি।

থৌনা ফবী ইমা ১২না নুপীশিংবু কল্লকখিবনি...

লামায় ১গী মখা... প্রোটোকোলশিং ঙাক্তুনা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

নুমিৎ অসিগী ওবজার্ভেসন্স কম্মিটিগী কনভিনরনা থোরকপা চেরোল অমদা ঙসিগী নুমিৎ অসিগী থৌরমশিং মোরেগী ইমা কোন্দোং লাইরেম্বী হরাওবুংদা লৈরিবা খা নোংপোক অপূনবা নুপী লূপ, জিরিবামগী জিরি ইমা মৈরা পায়বী অপূনবা লূপ (জিস্পাল) গী কনফরেন্স হোল, থৌবালগী চরাংপাৎকী থৌবাল ইমা, বিষ্ণুপুরগী অপূনবা নুপী লূপ (অনুর), ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাংখৈদা লৈবা নোংপোক লৈঙাক্কী কনফরেন্স হোল, উরিপোক্কী খ্বাই ব্রহ্মপুরদা লৈবা নিম্পালগী কনফরেন্স হোল, লম্ফেলদা লৈরিবা ওল মণিপুর সোসল রিফোর্মেসন এন্দ দিভেলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ) গী লোইশঙ অমসুং উরিপোক য়াম্বেম লৈকায়দা লৈবা তম্মী চীংমীগী লোইশঙদসু পাঙথোকখি হায়রি।

ঙসিগী নুমিৎ অসিগী মপুং ওইবা থৌরমনা ক্বাকৈথেল থিয়াম লৈকায়দা লৈবা হ্যুমেন রাইটস এলর্টকী কনফরেন্স হোলদা অপূনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপ (অমকিল) না শীন্দুনা পাঙথোকখি।

ঐচ আর এগী ফেসবুক পেজদা লাইভ ষ্ট্রিম তৌখিবা থৌরম অসিদা 'ইমা ১২: দি স্পিরিট ওফ দিফেন্স' ইপিসোদ-১: ইমা মোমোন হায়বা অতেনবা ভিদিও অমসু রিলিজ তৌখি। ইপিসোদ ১২ লৈগদবা ভিদিও অসিনা থৌনা ফবী ইমা ১২গী মতাংদসু মথংগী কুমওন থৌরম য়ৌরক্ত্রি ফাওবগী মনুংদা থা খুদিংগী রিলিজ তৌগনি হায়রি।

ঙসিগী থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা হৌজিক কোভিদ ইনফেক্সন তৌবদগী লায়কন্নরিবা ইমা রমনি অমসুং ইমা মোমোনগী হকচাং অথুবা মতমদা ফগৎলকপা ওইরসনু হায়নসু থৌনিখি। লোয়ননা কংলা মমাঙগী প্রোটেষ্টতা শরুক য়াখিবী থৌনা ফবী ইমা পুম্নমক্কী হকচাং নাদ-য়েক্তবা ওইরসনু হায়নসু থৌনিজখি।

পনবা য়াবদি, লৈবাক মীয়াম্না অফস্পাগী মায়োক্তা চঙশিল্লকখিবা খোঙজং অদুগী মহয় ওইনা মতম অদুগী প্রাইম মিনিষ্টরনা অফস্পাগী মহুত্তা অতোপ্পা এক্ট অমা থম্লগনি হায়খিবদগী খোঙজং অদু ঈংথখিবনি। লোয়ননা মণিপুরগী গ্রেটর ইম্ফাল এরিয়াগী এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সি ৭তগী অফস্পাগী মখাদা থল্লকখিবা দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটসশিং লৌথোকখিবনি অমসুং পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা কংলাবু চহী ১০০ হেন্না সিফাইনা খোঙনেৎনদুনা লৈরক্লবা মতুংদা মণিপুরগী মীয়ামদা খুৎশিন্নখিবনি। হায়রিবা পুম্নমক অসি থৌনা ফবী ইমা ১২দুগী হোৎনজমন্দগীনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী অনুলনা শীন্দুনা কোভিদ-১৯গী এস ও পি ঙাক্লগা পাঙথোকখিবা অদুঙৈ কংলা মমাঙদা ইমাশিংনা ফি থোংদনা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুবু নীংশিংবগী থৌরমদা অমকিলগী প্রসিদেন্ট ইন চার্জ ঙানবী, অনুলগী প্রসিদেন্ট লৌরেম্বম প্রমো, কৈথেল চাওখৎ লূপ বিষ্ণুপুরগী সেক্রেটরি সাপম থোইবীনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈন্নবা খোঙজং অদুদা লৈখিদ্রবা ইমা অনীগী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা মিনট ২ তূমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা অনুলগী সেক্রেটরি মোংজম অনিতানা হায়, হৌখিবা চহী ২০০৪গী জুলাই ১০গী নুমিদাংদা থাংজম চনু মনোরমাবু ইন্দিয়ন আর্মিনা ময়ুমদগী ফারগা পুবিশ্রবা মতুংদা নুপী ওইবীগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীরগা তমথিনা ওৎ নৈদুনা হাৎতোকপীরগা থম্বীরম্বা অদুবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ইমা ১২না ফি থোংদবগী খোঙজং চঙশিনখিবা অদুবু নীংশিংদুনা ঙসিগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

ইমা ১২না থৌনা ফনা চঙশিনখিবা খোঙজং অদুনা ঙসিদি লমদম অসিদা মীওৎ মীনৈগী অকিবা অদু লৈত্রে হায়বগা লোয়ননা খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবা ইমা ১২বুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা নোংচুপ ইম্ফাল পলেম ইমা অপূনবা লূপনসু থৌরম অসি লূপকী ময়ায় লোয়শঙদা প্রসিদেন্ট টি ঐচ ইবেয়াইমা, ভাইস প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু ধনেশ্বরি, ফাইনান্স সেক্রেটরি এস কমলানা ময়ায় তাংবল লৌদুনা পাঙথোকখি।

নিম্পালনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবী ইমা মুতুম ইবেমহল, লোইতাং ইবোতোম্বী অনীগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা মিনট ২ তূমিন্না লেপ্লগা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

থৌরমগী নুংগী ওইবা ৱারোল শান্তি লৈমনা পীরদুনা খোঙজং অদু মণিপুরগী পুৱারীদা মুৎপা নাইদনা নীংশিংদুনা লৈহৌরগনি হায়খি। ইমা ১২গী শেংলবা থৌনাশিং অদুনা লমদমসিগী চনুরা ওইবীশিংবু কলহৌনবগীদমক অসাম রাইফলসনা শরাক তম্বীখিবা থাংজম মনোরমাগী থৌদোক্কী মতুংদগী চঙশিনখিবা খোঙজংনি হায়খি।

মুম্বাইগী টাটা মেমোরিএল সেন্টরদা চৎত্রবসু ওনলাইনদা কেন্সরগী লায়না...

লামায় ১গী মখা... খুদোংচাদবা লৈবদগী অনকপা মুম্বাইগী মফম অমদা লৈননবা হোৎনবদা তঙাইফদনা লৈফম-চাফম থিরকপা অমসুং অনাবদুগা লোয়ননা চৎমিন্নরিবা মীওইশিংগী লৈফম-চাফমনচিংবগী মতাংদনি।

অদুম ওইনমক হৌজিক লায়েংশঙ অসিগী দিরেক্টর রাজেন্দ্র বরৱেনা লুচিংবা পেনেল ওফ এক্সপর্ট টিমগী মখাদা লায়না অসিগী মখল খুদিংমক্কী খুদোংচাদবা মায়োক্লরিবা মীওইশিং ওনলাইনগী খূথাংদা লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংলবনিনা অহেনবা শেল চৎলরোই হায়রি।

লায়েংশঙ অসিদগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না নভিয়া এক্সপর্ট ওপিনিয়ন সর্ভিসনা অয়াবা পীবগা লোয়ননা মালেমগী মফম অয়াম্বদা লৈরিবা কেন্সরনা নাহল্লবা মীওইশিংবু ময়ুমদগী হেন্দোকহন্দনা খ্বাইদগী অফবা মখলগী ত্রিটমেন্ট তৌবগী খুদোংচাবা ফংহনবা হৌরে হায়রি।

খুদোংচাবা অসিগীদমক মরী লৈনবা মীওইশিংনা www.navyacare দগী মথৌ তাবা অকুপ্পা মরোলশিং খঙবা য়াগনি হায়রি। হায়রিবা ৱেবসাইট অসিদা অনাবা মীওই অদুগী রিপোর্টশিং হান্না অপলোদ তৌগনি। মসিগী মতুংদা মহাক্লা নারিবা লায়না অসিগী লায়ওং অদুগী মতুংইন্না মহাক্কী রিপোর্ট অদু এক্সপর্টশিংনা য়েংলবা মতুংদা অপলোদ তৌখিবা নুমিৎতুমক্তদা লায়েং পথাপ চথনবগী য়াওনা মরী লৈনবা রিপোর্টশিং ফংগনি।

রিপোর্ট অদু ফংলবা মতুংদা নারিবা মীওই অদুগী হিষ্টোরিগা লোয়ননা ত্রিটমেন্ট চথনবা কন্সল্ট তৌরিবা এক্সপর্ট অদুদা অমুক হন্না পাউ ফাওনগদবনি হায়রি।

এক্সপর্ট ওপিনিয়ন ফংলবা মতুংদা লায়েংগদবা ডাক্তরশিংগী মায়কৈদগী পেসেন্ট অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা হংলকখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম য়াম্না লায়না খঙগদবা মওংদা মচা খায়না তাক্লক্কনি। হায়রিবা কন্সলটেসন অসিদা টাটা মেমোরিএল সেন্টরনা য়ু এস এদা লৈবা ষ্টেনফোর্দ মেদিকেল সেন্টর (কালিফোর্নিয়া) গী এক্সপর্টশিংদসু কন্সল্ট তৌগনি। হায়রিবা এক্সপর্টশিং অসিনা শেন্থা ট্যুমর বোর্দনা দিটেক্ট তৌবদা ৱাবা কেন্সরগী লায়ওং মখলশিং লৈরগসু এক্সপর্টশিংগী পেনেলদা দাইগ্নোষ্টিক্স রেদিওলোজিষ্ট, পেথোলোজিষ্ট, সর্জন্ট, মেদিকেল ওনকোলোজিষ্ট অমদি রেদিএসন ওনকোলোজিষ্টনচিংবা শুনা য়াওবনা নারিবা মীওই অদুগী লায়ওংগী মতাংদা চেকশিন্না এগজামিন তৌগনি হায়রি।

লায়েংবগী মওংনা মীওই অদুনা মায়োক্ রিবা লায়ওং অদুগী মতুংইন্না লৌখৎলি। মসিদা পেথোলোজিষ্ট অমদি দাইগ্নোষ্টিক্স রেদিওলোজিষ্ট অনীমক্লা পূন্না শরুক য়াই। মথৌ তারক্লগনা সর্জন্টশিংসু শরুক য়াশিল্লকই। করিগুম্বা লায়ওং অদু সর্জরি তৌরগা লৌথোকপা য়াবা নৎত্রগনা হকচাং মনুংদা হেন্না পাকথোক চাওথোকহল্লক্ত্রিঙৈদা হীদাক থারগা খোমজিন-তাশিনবা অমসুং পিকশিলহনবা ঙম্বা ওইরগনা মসিগী থবকসি হান্না পাঙথোক্কনি। তুংদা এন্টিবোদি ওইরক্লবা পোৎলম অদু ওপরেসন তৌরগা লৌথোকপসু য়াই হায়রি।

মরম অসিনা করিগুম্বা কেন্সরগী তোঙান তোঙানবা লায়ওংশিং মায়োক্লরক্লবা মীওইশিংনা পীরিবা ৱেবসাইট অসিদা চঙলগা নভিয়া এক্সপর্ট ওপিনিয়নগী খূথাংদা ওনলাইনদা লায়েং পথাপ চথবা য়াগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

রেজিষ্টর তৌরবা মহৈরোয়শিংনা...

লামায় ১গী মখা...

চৎলিবা একাদেমিক সেসন অসিগীদি নত্তনা চহী খরগী মমাঙদা রেজিষ্টর তৌখিবা মহৈরোয়শিংদি মথংগী ক্লাসতা প্রমোসন পীগদৌরিবা অসিদা য়াওরোই হায়খি।

মহৈরোয়শিংনা মখোয়গী মথংগী ক্লাসশিংদা প্রমোসন কাবগী অয়াবা ফংনবগীদমক মখোয় মখোয়গী স্কুল অমসুং বোসেম নৎত্রগা কোসেমদা এনরোল তৌগদবনি হায়বা ৱাফমসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক হায়রিবা ইলিজিবিলিটি পেরামিটর অসি ফুলফিল তৌদবা মহৈরোয়শিংদি প্রমোসনগীদমক ক্লেইম তৌবা য়ারোই হায়খি।

মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইদুনা ক্লাস টেন, এলেভেন অমদি ত্বেলভকী পাঙথোক্কদবা এগজামিনেসনশিং কেন্সেল তৌখিবনি। মহৈরোয়শিং অসিগী মার্ক পীবগী থবক পাঙথোক্লবা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী কম্মিটি অমা শেম্লে। হায়রিবা এগজামিনেসনশিং অসিগী রিজল্ট থা অসিগী ৩১দা লাউথোক্কনি। মসিগীদমক মরী লৈনরিবা বোসেম অমসুং কোসেমগী ওথোরিটিনা থৌরাং তৌরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

ঙসিগী পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা বোসেম অমসুং কোসেমগী চ্যেরমেন অমদি সেক্রেটরিসু শরুক য়াখি।

খোই মহুমদা চৈনা থিনবনি...

লামায় ১গী মখা... মৈহৌরোলদগী তৌদুনা লাক্লি হায়বসি পুৱারী শাখিনি। অপিক-অপিকপা ফুরুপ কয়ানা খুন্দারিবা ইরমমসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী এস পি/ সী আই দি (সী বি) না দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্কী এস পিদা চেবাউ থোক্তুনা ইদ-উল-জুহাগী ফেষ্টিবেলগা মরী লৈননা শা ককপা, পুথোক পুশিন তৌবা য়ারোই হায়না ওর্দর থোকপসি লমদমসিদা লৈরিবা ইস্লাম লাইনীং চৎপশিংদা খোই মহুমদা চৈনা থিনবনি হায়না এ এম এম দি সীনা লৌদবা ঙল্লোই। থোক্লিবা ওর্দর অসি অন কন্সটিট্যুসনেল ওই হায়রদুনা ইস্লাম লাইনীং চৎপশিংদা অতম্নরা এটেক তৌবনি হায়না লৌদবা ঙল্লোই হায়রি।

ইন্দিয়া অসি দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকনি হায়না মখৌ পোংনা লাউরি। অতম্নরা ইস্লাম লাইনীং চৎপশিংদা এটেম্প তৌবসি দেমোক্রেসি চৎপা অমগী চৎন-কাঙলোন নত্তে অমদি ৱাহন্থোক লৈতে। মসি কৈদৌনুংদা ইস্লাম লাইনীং চৎপা মৈতৈ পাঙলশিংনা য়াবা ঙল্লোই। লোয়ননা দিসক্রিমিনেটোরি ওইবদা নত্তনা লাইনীংগী ওইবা লাইশোনগা মরী লৈনবদা অয়েৎপা পীবনি হায়না লৌদবা ঙল্লোই হায়রি।

লমদম অসিদা লৈমিন্নরিবা য়েলহৌমীশিংগী হরাও কুম্মৈ খুদিংমক্তা শরুক য়ামিন্নদুনা অমদি চারৌ মৌরৌনদুনা অৱা-নুংঙাই শরুক য়ামিন্নদুনা লিশাং শিংনা লাক্লি। হন্দক থোক্লিবা ইদ-উল-জুহাগা মরী লৈননা কাঙলূপ ফুরুপকী মরক্তা শিংচেপ থাবা মানবা ওর্দর অমা ঙসিগী লৈঙাক্লা থোক্লিবসি অথুবদা লৈবাক মীয়াম খঙনা হন্দোকপীয়ু অমদি হায়রিবা ওর্দর অসি পুং ৪৮ ফাওবগী মনুংদা হন্দোক্ত্রবদি দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং চঙশিন্নবা এ এম এম দি সীগী থৌমীশিংনা শেম শাবা লোইরে হায়রি।

ৱাহন্থোক লান্না লৌবীগনু ...

লামায় ১গী মখা... (২০০১), ম্যুনিসিপাল লোজ অমসুং ফুদ সেফটি এন্দ ষ্টেন্দর্দদ ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী দিরেক্সনশিংনি হায়রি।

ৱাফম অসি মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী পব্লিক রিলেসন্স ওফিসর কে মেঘচন্দ্রনা ঙসি থোরকপা চেরোল অমনা হায়বনি।

মহাক্কী চেরোল অসিনা হায়, লোশিং অসি অকক্লবা কম্যুনিতি নৎত্রগা লাইনীং লিচৎ অমদা দিরেক্সন তৌবা নত্তে। চৎনরিবা লো, রুলস অমসুং রেগ্যুলেসনশিং অসি শাশিংবু মীনুংশি য়াওদনা লোয়নবদগী কন্নবা অমসুং মীওইবনা চাবদা ফুদ সেফটি ষ্টেন্দর্দশিং ঙাকহন্নবগীদমক্তনি হায়রি।

মরম অসিনা মীয়াম্না হায়রিবা চেরোল অদুবু লান্না ৱাহন্থোক হনবীগনু অমসুং অরানবা ৱাফমশিং শন্দোকপীগনু হায়নসু অপীল তৌরক্লি।

সী এমগী মীৎয়েং চঙবীয়ু ...

লামায় ১গী মখা...

সেক্যুলরিজম্বু খোঙ্গাওনবা অমদি ৱাহন্থোক লৈহন্দবগী কাঙলোন অসি ইন্দিয়াদা বি জে পি লৈঙাক্লা হৌবদগী তপ্না তপ্না অপিকপা ফুরুপশিংগী চৎনবীদা অপন অয়েৎ অমদি চৈথেং পীদুনা লাক্লি। মসিগী শাথিরবা কাঙলোন অসি বি জে পিগী লৈঙাক লৈরিবা লমদমশিংদসু ইন্দবা য়াদবগী ফীভম ওইহল্লক্তুনা ঙসিদি ঐখোয়গী ইরমদম অসিগী লৈঙাক অমদি লুচিংলিবা চমজরবা চাওখৎপা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী তূম্বা চাবা খঙদনা মীয়ামগীদমক শিজরগে হায়দুনা হোৎনজরিবা মীয়াম পূম্বনা য়ানরবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মফমদসু চেবাউ চেরোল অসি য়ৌরক্তুনা য়াদবা তাঞ্জা অমা ওইদুনা লাউথোরক্লি।

অদুঙৈ টি ঐচ মুইভানা মণিপুরগী ইন্টিগ্রিটি কায়হনবা য়াবগী মাগী শামি লান্মী কয়া য়াওনা মণিপুর চঙনবা হোৎনরকপদা ও ইবোবীনা ঐবু লৌথোক্কে লৌথোকউ, নখোয়না তৌনীংবা তৌরকউ হায়না অচেৎপা ফিরেপ অমদা হীরম অমত্তদা ঐগী ইরৈবাক মণিপুর কায়বা য়ারোই হায়না লেপখিবা অদুগুম্না ঙসিগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ঐখোয়গী লমদমসিদা য়েলহৌঙৈদগী হৌনা ফুরুপ পূম্নমক্লা নুংশি চাননা মাগী মাগী চৎনীংবা লাইনীং অমদি চানীংবা চিঞ্জাক চাজবদা অথিংবা লৈরক্তবনা নখোয়গী ওর্দর অসি ঐ য়াবা ঙল্লোই হায়বগা লোয়ননা মীয়াম নিংদোল পোম্নরিবা চেরোল / ওর্দর অসি থোক্লমদ্রবদি অমুক্কা হেন্না মতিং লৈবা চীফ মিনিষ্টর অমনি হায়না পুৱারীগী লাতমদা অমদি মীয়ামগী থম্মোয়শিংদা য়েক্তুনা লৈহৌগদবনি হায়রি।

ওর্দর পীরক্লবসু মমাঙদসু থিংখিদে, হন্দকসু থিংলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈতে। অদুবু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী লমদমসিদা য়ুনিটি, ইন্টিগ্রিটি অমসুং পিছফুল কো-এগজিষ্টেন্স কায়হন্নবা হূ পান্বী অমা থাখ্রবনি। মসিনা হয়েং কোন্না ওইরক্কদবা সিচুয়েসন কয়াদুগী খল্লগা চীফ মিনিষ্টরগী ফজরবা কন্সত্রক্টিভ ওইবা মীৎয়েং অমুক্তং চঙবীয়ু হায়না অপীল তৌরক্লি।

মথোং হুক্তবা থৌরাংনি ...

লামায় ১গী মখা... থোকই।

ইন্দিয়াগী ফন্দামেন্টেল রাইটশিংবু মথং-মথং মুখৎলগা হিন্দু রাষ্ট্রিয় শেমদুনা ৱান কন্ত্রি, ৱান কন্সটিট্যুসন ওইহনবা হায়বা আর এস এসকী এজেন্দাদুগী মনুং চন্না লাইনীংগী চৎনবী অমবু ফোর্স শীজিন্নদুনা থিংননবা হোৎনরক্লিবা গভর্ণমেন্টকী থৌরাং অসি লোগী ৱাংমদনি। ওল ইন্দিয়া ইমামস কাউন্সিল, মণিপুর ষ্টেটনা অসিগুম্বা গভর্ণমেন্টকী মথোং হুক্তবা থৌরাং অসি কন্দেম তৌই। লোয়ননা মণিপুরগুম্বা পিকখ্রবা ষ্টেট অমদা অমসুং কম্যুনিতি মখল শুনা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা লাইনীংগী চৎনবী লৈরিবা লমদম অসিদা অসিগুম্বা লাইনীংগী নীংতম্বদা খূৎ থিংজিনবা থৌওং লেপ্পীয়ু হায়রি।

HIV IS TRANSMITTED THROUGH
Unprotected sex with an HIV infected person.
Sharing of HIV infected needles & syringes.
From HIV infected mother to her baby.
Transfusion of HIV infected blood or blood products.
Issued in public interest by
Manipur State AIDS Control Society
MACS
NACO

HL-B/7016/2-31july